# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লৈপুং-খাঙ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**লৈপুং-খাঙ** হায়রিবা পাম্বী অসি মণিপুরীশিংগী অনা-লায়েং পথাপ্তা থোইদোক-হেন্দোক্না শিংথানিংঙাই ওইনা মফম কল্লিবা হীদাক পাম্বীনি। লৈপুং-খাঙ পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান নাইটসেদ (Indian nigntshade), নৎত্রগা পোইজন বেরী (Poison berry) নৎত্রগা আফ্রিকান এগপ্লান্ট (African eggplant) নৎত্রগা বুশ টোমেতো (Bush tomato), হিন্দিদা ব্রাহান্তা (Brahanta), আসামীজদা তীদ-ভাঙ্গরী (Tid-bhangri), বেঙ্গোলিদা ব্যাকুরা (Byakura), চাইনিজদা সি-ত্যান-কি (Citian-qie) নৎত্রগা জ্যাও-দ্যান-কি (Xiao-dian-qie), ফ্রেন্সতা মোরেল দি ইন্দিস (Morelle de Indes), আফ্রিকানদা পেটিত এঙ্গাইভ (Petite anghive), জপানিজদা সিরো-সিজুমে-নাসুবি (Shiro-sijume-nasubi), মালায়ালমদা টেরোং-পিপিত-পুতে (Terong-pipit-puteh), সংস্কৃটতা ভানতাহি (Bhantahi) নৎত্রগা ভ্রিহাতি (Vrihati), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সোলানম ইন্দিকম (Solanum indicum Linn)* হায়না কৌই অমসুং *সোলানেসী (Solanaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

লৈপুং-খাঙ পাম্বী অসি চাইনা, মালায়া অমসুং ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাম্বী অসি মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। লৈপুং-খাঙ পাম্বীগী মশা পূম্নমক্তা কোন্তক তৌবা তিঙ্খংশিং (recurve prickles) য়াম্না কুংনা পাল্লি। পাম্বী অসি মশা-মরেং য়াম্না লোংই অমসুং ফুট ৪ ফাওবা ৱাংই। মহৈ অসি হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওই। নৌরিঙৈ মতমদা মহৈশিং অদু মরাং-মরাং লাংদুনা শংত্রিক শংই অদুবু মুল্লক্লবা কান্দা কোমলা মচু ওইরকই।




বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুংইন্না লৈপুং-খাঙগী মহৈদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি সোলানিন (Solanin) অমসুং সোলানিদিন (Solanidine) হায়না কৌই। মরুদগী লৌথোকপা থাউ অদুদা য়াওবা মরুওইবা মচলশিংদি লৌরিক এসিদ, পালমিতিক এসিদ, ষ্টেরিক এসিদ, এরাকিদিক এসিদ, ওলিক এসিদ, লিনোলিক এসিদ অমসুং ফাইতোসতোরোল, সিতোসতেরোল অমসুং কার্পেসতেরোল অসিনচিংবনি।

লৈপুং-খাঙ পাম্বীগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক্না শিংথানিংঙাই ওই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি মমুন ফারবা লৈপুং-খাঙ মহৈ অদু ফজনা মেৎখাইরগা খোইহী খরা হাপ্তুনা নোংমদা চামচ ১-২ গী চাংদা পীথক্তুনা লোক থুংবা অমদি অরুম-লাইহৌ তৌবগী অনা-লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেন্বা হীদাক অসিমক অঙাংগী পুক্নুংদা তীল লৈবদসু পীথক্লে। ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কয়ামরুম্না লৈপুং-খাঙগী মহৈ অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী হরা-কংখু তৌবা, পুক্নুং নৎত্রগা থীবোং-থীরিলদা তীল লৈবা, পুক নুংশিৎ কাবা, অরুম-লাইহৌ তৌবা, লোক কংখু তৌবা লায়নাশিং লায়েংদুনা লাক্লি। লৈপুং-খাঙগী মরু অদু মৈ থাদুনা চাকহল্লগা কারকপা মৈখু অদু খৌবোম থন্না চীংশিন্দুনা মতম খরা থম্বা মতমদা ওদোনটালজিয়া হায়রিবা য়া চিকপগী লায়না অসি লায়েংনৈ। লৈপুং-খাঙগী অনৌবা মনা অদু ঈশিংদা নৈখাইদুনা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদা পীথকপদা দাইসুরিয়া হায়রিবা হক্কী ঈশিং য়াম্না লীকপা অমদি ঈশিং চৎপদা নাবা অমদি শাবদা থোইদোক্না কান্নবগী পাউদমশিং লৈ।

মালায়াদদি লৈপুং-খাঙগী মরা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু ঊনশা চাথৎপদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। জাভাগী মীওইশিংনা লৈপুং-খাঙগী মনা অদু ঈশিংদা শুগাইদুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী হকচাং মনুংগী ওর্গানশিং অদু মফম চানা লৈহনবা অমসুং মথৌ তৌহনবা লায়েং পথাপ অসি চৎথৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না তোয়না ওরবদি লৈপুং-খাঙ মনাগা শিংগা চাং মান্নना লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদম লৈ। চাইনাদদি লৈপুং-খাঙ মনা শুগাইদুনা শেম্বা অনঙবা মহী অদু অশোক অপন তৌবদা তৈদুনা লায়েংনৈ। য়াম্না কুইরবা মতমদগী থাজনদুনা লাক্লি মদুদি অঙাংগী মোম্পাক অদু লৈপুং-খাঙ পাম্বীগী অকংবা মনানা শেল্লবদি অঙাং অদু মপূং ফানা তূমহনবা ঙম্মী। কনাগুম্বা মীওই অমা ঈশিং য়াফম তৌরবদি লৈপুং-খাঙগী মরা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা নোংমদা গ্লাস ২ গী চাংদা নুমিৎ ৩-৪ রোম পীথকপীবা য়াই। পাউদম অমগী মতুংইন্না লৈপুং-খাঙগী মহৈ (অমুনবা) অসি নুপী-নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী। লাইকোই অমসুং তাং চাওথোক্তুনা চীকপা নাবদসু লৈপুং-খাঙগী অনৌবা মহৈ শুগাইদুনা তৈবদা কান্নবা ফংগনি। চেকশিনবিগদবা অমনা দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা লৈপুং-খাঙ অসি চাং হেন্না অমদি মতম শাংনা চাবিরোইদবনি হায়বগী ৱাফম লৈ।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীতৈ ফুরুপতা সুনামী থোক্লিবসি এস টি লিষ্টতা চল্লবদি কোক্কনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা*** হৌখিবা চহী ৩/৪ অসিদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী অশেংবা য়েলহৌমী (ত্রাইব/ইন্দিজিনস পিপল) ওইরিবা মীতৈ ফুরুপ্পু ইন্দিয়াগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চনগদবনি হায়দুনা মীটিন, খন্ন-নৈনবা, মীয়ামগী খোঙচৎনচিংবা কয়া দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা, খারবা, তুকচনরবা অদুবু মণিপুরদদি য়াম্না চৎনরিবা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা অমত্তা য়াওদনা/কৌদনা মীতৈ মীয়ামগা খোঙজং চঙশিন্দুনা মায় পাক্না লাকখ্রে। মীতৈ ফুরুপসু এস টি লিষ্টতা চনগদবনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা হৌরকপদা এস টি দিমান্দ কম্মিটিগী মায়োক্তা চীংমী-তম্মী অনীমক্তগী লন্নাই মীওই খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু হৌজিক্তি অদুগুম্বা অয়েৎপা অমত্তা লন্নাই মীওইশিং অমদি য়েলহৌমী ওইবা ফুরুপ অমত্তদগী লাকপা লৈত্রে হায়জনীংই অমদি ফুরুপ অমত্তনা মীতৈশিং অসি য়েলহৌমী নত্তে হায়বা ঙমলোই মরমদি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী লূপতা মীতৈগী মফম চাওনা কল্লি, শুপ্নতগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চনদবা খক্তগী ৱাফমনি। মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবা য়ারোই হায়রিবা মীওই খুজোক খরা অসি মণিপুরগী অপূনবা মশীং লাক্ষ ২৮ দা করিসু নত্তে, মখোয়না মেদিয়াদা চহী ২-৩ গী মমাঙদা ফোঙদোকখিবশিং অদু এস টি ওইবা হায়বসি করিনো অমদি কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬ (৪) না করি হায়রি হায়বসি খঙদবা ঙাক্তনি, ৱাখলনা পংশা শাবনি। শোয়দনা মখোয়শিং ৱারী শান্নরগা তপনা/লায়না ৱাখল তারক্কনি অমদি মীতৈ ফুরুপনা এস টি লিষ্টতা য়াওরকপদা হরাউরক্কনি অমসুং তরাম্না ওক্কনি। চীংমী তম্মী অনীমক্কী মরক্তা নুংশি চান্নना লৈমিন্নবা পাম্বা, থাক মান্নना হিংমিন্নবা পাম্বা, অচৌ-মচা খায়বা পামদবা, মচিন-মনাও ওইনা পুৱারীগী নুংঙাইবা, নুংশিনবা য়ূম্ফমদা থাজবা মীওইশিংদি মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবদা হরাউই অমদি থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎলি।

ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না এস টি লিষ্টতা চল্লিবা ফুরুপশিং/মীওইশিং লৈবাক অসিগী অহানবা খুন্দামী/য়েলহৌমী (ইন্দিজিনস পিপল/ত্রাইব) নি অমদি চাউরাক্না অপূনবা মীশিংগী চাদা ৮ খক ওই (অশেংবা ৭.৫)। মরম অদুনা মীতৈ ফুরুপসু লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইবনা অতৈ রিকোগনাইজ তৌরবা মণিপুরগী য়েলহৌমী ৩৬ কা হৌরকফম মান্নে, শুপ্নতগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্দবা খক্তনি। মীতৈশিং মপা-মপুশিংনা চৎলম্বা লাইনীং-লাইশোন, চৎনবী, লোন্নচিংবা থাদোক্তনা ঙাক্তুনা চৎপনা য়ু এন ওগী রিজোলুসন নম্বর ১৬৯ গী মতুংইন্না মীতৈসু য়েলহৌমী (ইন্দিজিনস পিপল) ওই। মসিদা য়েৎননীঙাই করিমত্তা লৈতে।

এস টি দি সী এমনা য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা, থাজনবা, চাওখৎপা, তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাক্লবগীদমক মীতৈসু এস টি লিষ্ট চনবা অসিনা শোয়ফদ্রবা লম্বীনি তাকই। পোরম অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী থৌপুবশিং মন্ত্রি অমসুং এম এল এশিং অয়াম্বা ৱাখল তামিন্নদুনা তৌফম থোকপা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না/মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা দিমান্দ তৌরকখিবা - মীতৈগী ইথনোগ্রাফি অমসুং সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট লৈঙাক্না থাবা ঙমখিদ্রে/তৌবিরমদ্রে। মসিনা এস টি দি সী এমগী থৌ পুবশিং, মেম্বরশিংগী আশা শাথিনা কায়হনবতা নত্তনা রেল্লি চৎখিবা মীওই লাক্ষ ১.৫ হেনবগী ইমুং মনুংদসু য়াম্না চাউনা থাজবা মাঙহনবগী ৱারৌনরে। মরম অসি লৈবনা মীতৈ মীয়াম্না মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগনি হায়দুনা থাজবা পীবা ঙম্বা অমদি সপোর্ট তৌবা মীওই অমদি পোলিটিকেল পার্টিদা ভোট পীবীনবা অমদি মীতৈ ফুরুপ্তা থোক্লিবা Tsunami অসি কন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না ভোটকী খুদোংচাবা অসি মীতৈ হুপ্না লৌহৌরসি হায়জনীংই। মীতৈনা মণিপুর কন্দুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা মীতৈ ফুরুপনা এস টি লিষ্টতা চল্লবদি মীতৈ কনগনি, মণিপুর কনগনি অমসুং মণিপুরগী তুংগী আশা লৈগনি।

*অদোমগী - মোইরাংথেম জোগেন*
*লম্ফেল সনাকৈথেল*

## অফবা লৈঙাক্কীদমক কনাদা...?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***কুমগী*** নোংনা লাক্লবদা ইকাঙানা ঈচেল নাইবা ঈরমদা কারকপা, মতম কুইনা ঈরিদুনা লৈরুরবা লেমলৈ ঙানা কুমগী নোংনা চুরকপদা পাৎ পুখ্রি খোংবাল অমদি ইরম মচা মচাদা কুমগী ইনৌবু খৌরাংবগুম, ইলেক্সন কম্মিসন্না মণিপুরগী সিট ৬০ গী ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক মার্চ ৪ অমদি ৮ দা মীখলগী মতম লেপখিবগা লোয়ননা ঙসি অহানবা তাঙ্ককী ভোট থাদনরগনি। তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংদা (কোংগ্রেস অমদি বি জে পি) অমদি হান্না পার্টিদুদা য়াওজরক্লবা মীওইশিং টিকেট ফংহৌদবদগী অতোপ অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা চোঙশিন্দুনা মীখল থেংননবা শেম শাবগা লোয়ননা মখোয় মখোয়না য়াওরম্বা পার্টি অমদি টিকেট তান্নরম্বা পার্টিশিং অদুবু হুন্দুনা ঙাঙবগী থবকসু লেপ্তুনা চথনখি।

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়াম্না অপাম্বা মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাক থৌদাং শিন্নরকপা হায়বসি দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন অমনি। অদুবু ঙসিদি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈতবদৌনা তৌরক্লি। মীয়াম্না অফবা লৈঙাক অমা লৈনবগী অফবা মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাক থৌদাং শীন্নরকপা মতমদা লৈঙাক মপু অমসুং মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্ট্রি অদুনা ব্যুরোক্রেসি অমদি টেক্নোক্রেসি খুদিংমক মখোয়গী খুদোম্বীনা ইনবা মফমদা লোয়নমক চৎখিবদৌনা মসিগী শক্তি অসিবু মীহৌবনা পোলিটিক্স করিনো, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক করিনো মীহুৎ ওইরগা করি থৌদাং লৌগদগে, শেঞ্জাও পায়বা জে সী বি লোইবা থিকাদার কারবারৱালা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়রম্বশিংনা খোংবান খরা কোৎপা, নালা শেংবা, থৌদোক ৱাথোক দেব কর্ম্মশিংদা চেবাউ পীদুনা মীয়াম মমাঙদা, মান্দব ময়ায়দা শেল থাবশিং অমসুং লৈবাক্কী ৱাথোক লান্থোক কয়াদা চেন্নবা মীওই মখল কয়ানা শক্তিবু পাম্বদগী মীখলবু মীকাদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা খোংদাফম থিরকই। মসিগী অশোয়বা অরানবা পূম্নমক অসি মীখল হৈতবা মীহুৎ খনবা শোয়বা মীচম মীয়ামগী অচেংবা য়েংলগা খুদোংচাবা লৌনবা হৌরকপগী থৌওংনি। লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লাকপা মতমদদি লৈঙাক ফত্তেদি হায়বা অদুগা ফত্তে হায়রিবা লৈঙাক অদুবু শেল্লিবা মীহুৎশিং অদুদি কনানা ভোট থাদরগা থাগৎখিবনো হায়বসি ইখঙ খঙদবগুম তৌই। লৌউ পন্থা ইঙা ইঙেনগী মতমদা অচংবা ফৌ মরু হুন্দুনা নিংথিনা ফৌ পাম্বীশিং অদু শেম শাগদবা মতমদা শেম্বীহৌদ্রগা পোইনুগী মতমদা ফৌওইবী কৌদুনা করিবু কান্নগনি। মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা নোংমগী শুরগা তান্দুনা চাবা ইমুং কয়ানা অরেং অরেং পুখবা নত্তনা করিবু কানবা পুরকপগে?

লৈবাক অসিসু মালেমদা ঈজৎ লৈনা শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্দুনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা খুমাং চাউশিনবা পামদবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা য়াওরম্লোই। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা মীখল তৌদুনা মীরেপ খনবা হৌরকপদগী লায়রববু নুংশিবীগদবা লায়রবা মীহুৎ কনাবু খনবা য়াওখ্রবগে অমদি মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা হিজম ইরাবতকুম্না কখোকপগা লোয়ননা তুংকোয়না মীয়াম্না শক্না শোন্নহৌগদবা মীহুৎ কনাবু হৌজিক ফাওবদা য়াওরিবগে। লায়রবগী মতাংদদি ভোট লেপ্পা মীশিংসু থৱায় য়াম্না য়াওই, ভোটকী মিটিংদা, পব্লিসিটিদা লায়রবগী ৱানা ৱাই চাই। লায়রবগী ৱা ঙাঙদবা, লাউদ্দবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লৈরম্লোই। মীহুৎ ওইখ্রগনা লায়রবগীদমক খল্লগা করিসু তৌবীরক্তে। লায়রবা মীহুৎপু শৌগৎপীরবদি লায়রবশিংগী অৱাবা খঙগনি। ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী খুদুং ইন্দুনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংবু মীহুৎ ওইহনখ্রবদি লৈত-লায়রশিংগী তুং কোয়বা থবক অমত্তা তৌরকপা ঙল্লোই। অমরোমদা পৈশাদি পায়জদবা মীয়ামগী থৌগল থম্মোয় শেংনা তৌজনীংবা মীওই কয়া লমদম অসিদা লৈতবদি নত্তে অদুবু মীচম মীয়াম্না ৱাহং অমা তৎতনা হংলি মদুদি মহাক্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইগনি হায়রিবদুবু পৈশা কয়া য়াম্না পায়জরবগে অসুম্না মীখলদা পৈশা য়াম্না থাদদ্রবদি মীরেপ ওইবা য়াদে হায়বগী চৎনবী অমা লৈরক্লি। মসিনা লমদম অসিদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা খুলিংবা খুন্নাই অমা লাক্লবগী মচাক অমা ওইহল্লি। শেঞ্জাও পায়বশিংগী মীখল ওইরকপনা ইলেক্সন্দা চঙখিবা শেনফম হঞ্জিনহৌনবা অমসুং মথংগী মীখলগীদমক শেন্দাল লম্বী থিদুনা পোলিটিক্সপু করবার অমগুম শীজিন্নরকপা তাবনি। অদুনা ভোট্টর ওইগদৌরিবা মীচম মীয়াম্না কেন্দিদেটশিংদগী পৈশা য়াম্না তিংহল্লিমখৈ ফনা ফবা কেন্দিদেট ওইনা থোরক্লবসু ফত্তবা কেন্দিদেটতা অদুমক ওইনবগী মচাক অমা ওইরকই অমদি লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাং কয়াদা অপনবা ওইরকই। থম্মোয় শেংবা ভোটরশিংনা থম্মোয় শেংবা লৈবাক্কীদমক খনবা মীহুৎশিং শোয়দনা পুথোরক্কনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রবা লৈঙাক থৌদা পুখ্রবা কয়াসি লৈবাক মীয়ামগী প্রোব্লেমশিং হায়বদি ইকনমিক প্রোব্লেম অমদি পোলিটিকেল প্রোব্লেম করম্না শোল্ল তৌগনি হয়বসি নৈনরুদবনা অনৌ অনৌবা ইস্যু কয়া মতোন চোঙখৎলক্লি। মসিগী মতাংদা হায়বা তারবদি হৌজিক্কী লমদমসিগী মীয়ামগী মীহুৎ অয়াম্বদি মহাক্না পোলিটিক্সতা খোঙদাদ্রিঙৈ মাঙওইননা লৈবাক মীয়ামগী ফীভম করম তৌরিবা মখোয়না হক খোঙ্গাওনরিবসি করিগীনো হায়বনচিংবা খঙনা মীয়ামগী করিগুম্বা থবক খরদা ওইরবসু তৌরমগে হায়বা ৱিল অমগা লোয়ননা ভিজন লৈনা চোঙথোরকপদি ইয়াও য়াওদবদগীনি। হৌজক্কী অয়াম্বা মীহুৎতি ৱাচৎ ৱানোম তৌদুনা খঙহৌদনা শেল পায়খৎলক্লিবা অহেনবা পৱার পাল্লকপদগী ভোট ময়াগী সোসিএল ৱার্কর শারগা পৈশানা ভোট লৈরগা কারকপনা অয়াম্বনি। মখোয়শিংদুনা লৈঙাকপদা অওনবা পুরক্কনি খনজরুবা মীচম মীয়ামদি থম্মোয় লায়মন ওইনরি। নহাক খোঞ্জেল য়াম্না ফৈ পুং য়ৈবা তম্মু হায়বদুমক্লি। শেল তান্দুনা মহাজন ওইনা লৈগদবা কেপিটেলিষ্টশিংনা পোলিটিক্স চঙলকপনা মীয়ামগীদমক মিৎয়েং থম্বা ঙমদে, ঙকচাও থেকপা মতৌনা লৈবাক ইরাং হৌহল্লি। মহৌশাদগী শেলতবু মীকাবনা মখোয়গী ৱাখলদা অহোংবা পুরকপা ঙমদে, হুই মমৈ অকোনবা উতোং থারগা চুমথোকপা খক ঙল্লোই, নোংমাংখা চুহি তিন অমা হৈজিল্লবসু কৈদৌঙৈদা নোংমাংখানা থল্লরোইদবনি।

লৈঙাকপশিং অমদি মীয়াম লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি লৈবাক লৈহাওদা চাওরকপা ঙাক্তনি। লৈবাক মীয়াম নুংঙাই য়াইফবা চাওখৎপা হায়বসি ঐখোয় খুদিংগী থৌদাং কয়ানা পুরক্কদৌরিবনি। অদুনা মীয়ামসু ঐখোয়গী মপি মপা ওইগদৌরিবা মীওইশিংদু মশক মুন্না খঙবা তাবনি। মিৎয়েং পাক চাউনা অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইনা থবক তৌবা অমদি কখোকপগী থৌনা লৈবা ওইগদবনি। হায়রিবশিং অসি নিংথিনা ঙাক শেল্লগা অফবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমগদবনি। মীচং য়াম্বনা শৌগৎলগা মতিক চাদবা মীওইবু লুচিংবা ওইহনবনা লমদম অসিদা অহোংবা অওনবা পুরকপা খক ঙল্লোই। মরম অসিনা অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি কেন্দ্র অমদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অদু করম্বা মীশক্লো হায়বদো ভোটরশিংনা য়াম্না কুপ্না খঙজিনবা মথৌ তাই। মীরেপ অদুনা কারক্লগা তৌগদৌরিবা থবক অদু আইন শেম্বগী থবক ওইগদবনা তরাই তরাইনা খল্লগা ভোট পীবদা অচুম্বা ওইরোই। অচুম্বা খোঙথাংদা অচুম্বা মীরেপ খনবনা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংনা ৱাদুনা হিংলিবা অসি কোকহনবা ঙমগদৌরিবনি। মায়কৈ অসোমদা ৱাখল মিৎয়েং থল্লগা অফবা অচুম্বা মীয়ামগী থবক থম্মোয় শেংনা তৌরক্কদবা মীরেপ্তা ভোট থাদদুনা ঐগী হায়বা অচুম্বা খোঙথাং থাংবিদুনা মণিপুরবু কনমিন্নবগী থৌদাং অদু হন্দক লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি।

*অদোমগী - কাংজম হেমন্ত সিংহ, লাংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়*

## মরোল থোকপা লাই

